# কর্নাটকাদা সোসল মিদিয়া পোষ্টকা মরী লৈননা ইরাং থোরকপদগী পুলিস ওফিসার ১২ শোকখ্রে, মীওই ৪০ ফাখ্রে



বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): কর্নাটকাগী দাৰার্দ দিষ্ট্রিক্টকী হুব্লিদা সোসল মিদিয়া পোষ্ট অমগা মরী লৈননা থোক্লকখিবা ইরাংদা পুলিস ওফিসার তরা হেন্না অশোক অপন নঙখ্রে অমসুং পুলিসনা চিংনবা মীওই ৪০ ফাগৎখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

পুলিস ওফিসার ১২ অদু অরিবা হুব্লি পুলিস ষ্টেসনদা ইরাং হৌবশিংনা নুঙনা থাজিনবদগী শোকখিবনি হায়রি।

হুব্লি-দরৱার্দ পুলিস কম্মিস্নার লাভু রামগী মতুং ইন্না মীওই অমনা মুস্লিমশিংগী মরমদা সোসল মিদিয়াদা ফজদবা পোষ্ট অমা থাগৎলকখিবা মতুংদা ভাইওলেন্স অদু থোকখিবনি।

মুস্লিম কম্যুনিটিগী মীওই কয়ানা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী মতুং তারকপদা মীওই অদু পুলিসনা ফাখি। অদুম ওইনমক মীওই অদুগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা এক্সন অদু মীওইশিং অদুনা পেনখিদে অমসুং মখোয়না পুলিস ষ্টেসন অদুগী মপানদা পুনশিন্দুনা ইরাং শাগৎখি।

পুলিসনা ইরাং হৌরিবা মীওইশিং অদুবু বেটন চার্জ তৌখি অমসুং টিয়ার গ্যাস শীজিন্নদুনা মখোয়বু তান্থোক্লবসু হোৎনখি।

রভু রামনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ভাইওলেন্স অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মায়োক্তা কেস তরুক রেজিষ্টার তৌখ্রে। হৌজিক ফিভম লাকশিনবা ঙম্লে।

থৌদোক অদুগী মতুংদা হুব্লি সিটিদা সেক্সন ১৪৪ চৎনহনখি। সেক্সন অসিনা ইরাং থোক্লিবা মফম অদুদা মীওই মরি নত্ত্রগা মসিদগী হেন্না পুনবদা অথিংবা থম্লে।

রামনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা ইরাং হৌবশিং অদুনা নুঙনা থারকপদগী দ্যুটি তারিবা ঐখোয়গী ওফিসারশিংগী মনুংদা ১২ অশোক অপন নঙখি অমসুং পুলিসকী গাড়ী খরসু অমাঙ অতা থোকখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোক্লক্তনবা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং পুম্নমক লৌখৎলে। ইরাং অদুদা চেন্নবা লোগী মায়োক্তা থবক তৌখিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর বসবরাজ ভোমাইনা থৌদোক অদু 'ওর্গনাইজ এটেক্ট' অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি, লোগী মতুং ইন্না লাক্কদবা খোঙথাংশিং ঙাইবগী মহুত্তা মশানা অচুম্বনি খঞ্জদুনা তৌনিংবতা তৌখিবা মীয়ামদা অকায়বা পীখিবা মীওইশিং অদুগী মায়োক্তা ঐখোয়গী পুলিসনা অকনবা এক্সন লৌখৎলক্কনি।

ইরাং হৌহনবদা চেন্নবা মীওই খুদিংমক চৈরাক ফঙগনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী মরুমদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিংনা মখা তানা অসিগুম্বা ইরাং থোকহল্লোইদবনি অমদি লোগী মায়োক্তা ওইবা থবক তৌরোইদবনি হায়বসি ঐহাক্না মখোয়দা খঙহল্লি। লমহেন তুহেনবশিং কর্নাটকা ষ্টেটনা লেম্না থারোই।

থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিসারশিংগী মনুংদা অমা ফিভম থীনা শোক্লে হায়না ষ্টেট হোম মিনিষ্টর অরাগা জনানেন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

এজেন্সিনা ৱা ঙাঙলদুনা জনানেন্দ্রনা হায়খি, মদুদি থোকখিবা থৌদোক অদু মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা চথরকখিবা এটেক্ট অমনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সোভা কারন লাজেনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি কর্নাটকা অসি ইংনা চিক্না লৈজবা পাম্বা ষ্টেটনি। ঐখোয়না কর্নাটকাবু কেরলা, ৱেষ্ট বেঙ্গল নত্ত্রগা কাশ্মিরগুম্বা ষ্টেটশিং ওইহনবা পামদে।

# আরএসএস অমসুং পিএফআইগী মরক্তা মখা তানা উংখৎনরকপা য়াই: কেরলা ইন্টলিজেন্স



টিরুবনন্টপুরম, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): কেরলাদা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ৱার্কর অমা অমসুং আরএসএসকী হান্নগী এক্তিভিষ্ট অমা হাৎখিবগী থৌদোকশিং ষ্টেট অসিদা উংখৎনবা ফিভম অমা লাকহনবদগী মখা তানা কম্যুনেল ইরাং থোক্লকদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না ষ্টেট ইন্টলিজেন্সনা গভর্নমেন্টদা ৱার্নিং পীরদুনা করিগুম্বা ক্রাইমশিং অদুদা চেন্নরিবশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎতবা তারবদি অরুবা ইস্যু কয়া থোক্লক্কনি হায়না খঙহনখ্রে। পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ৱার্কর সুব্যের (৪৪) ইরাই নুমিত্তা লোকেল মোস্ক অমদা লাইশোল অমা পাঙথোকপা লোইরবা মতুং মহাক্কী অপোকপা অবুবাক্করগা লোয়ননা ময়ুমদা হল্লকপদা কার অমনা থোন্দ্বদগী শিখিবনি।

মহাক্লা শিখিবা মতুংদা পুং ২৪ ফাদ্রিঙৈ আরএসএসকী লোকেল লিদর অমসুং হান্নগী প্রচারক স্রিনিভাসন (৪৫) পিএফআই-এসদিপিআইআরগী গেঙনি চিংনবশিংনা থাংনা য়ান্দুনা হাৎখি।

পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা সুব্যেরবু হাৎখিবদু কুমজা ২০২১ গী নবেম্বর ১৫ দা আরএসএসকী ৱার্কর সঞ্জিট হাৎখিবগী লন্মন খুন্বনি হায়বগী চিংনবা লৈ। করিগুম্বা ইস্যু অদু নীংথিনা য়েংশিন্দুনা চেন্নবা মীওইশিং অকনবা মঙংদা দিল তৌদ্রবদি কন্ত্রোল তৌবদা ৱাগদবা ইরাং কয়া থোরকপা য়াই হায়না সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনসু ষ্টেট গভর্নমেন্টদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইনকমগা চান্নদনা লন থুম কয়া পৈশিল্লম্বগীদমক্তা হন্দক্তা কেরলাগী মুভাটাপুজাদা লৈবা এসদিপিআই এক্তিভিষ্ট এমকে অসরফ ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) না ফাখি।

অসরফপু এসদিপিআই অমসুং পিএসআইগী মরু ওইবা ফন্দ লাকফমশিংগী মনুংদা অমনি হায়না মরাল শীখি।

কুমজা ২০২০ দা উত্তর প্রদেশকী হাথ্রাসতা চৎলিঙৈদা জর্নেলিষ্ট সিদিক কাপানবু ফাখিবদসু এসদিপিআইদা অচৌবা চৈথেং অমা নঙখি। চহী কয়া ন্যু দিল্লিদা লৈরকখিবা কেরলা মচা অদু পিএফআই গ্রুপকা মরী লৈনৈ হায়না উত্তর প্রদেশ পুলিসনা ফোঙদোরকখিবা মতুংদা জর্নেলিষ্ট সিদিকপু ফাখিবনি।

## যন্তর মন্তরদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): লান থোক্লিবা য়ুক্রেনদগী হোন্দারকখিবা ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ন্যু দিল্লিদা লৈবা যন্তর মন্তরদা মখোয়গী মমা মপাশিংগা লোয়ননা পুন্দুনা ইন্দিয়ান মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিংদা মখোয়বু এদমিসন তৌবা য়াহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে।

পেরেন্টস এসোসিএসন ওফ য়ুক্রেন এমবিবিএস ষ্টুদেন্টসকী মখাদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী মহৈরোয় অমদি মখোয়গী মমা মপা ৩০০ রোম্না যন্তর মন্তরদা পুন্দুনা য়ুক্রেনদগী থোরক্লিবা মহৈরোয়শিং অদুবু ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুটশিংদা মখা তানা মহৈ তম্বা য়াহন্নবা গভর্নমেন্টদা দিমান্দ তৌখি।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট আরবি গুপ্তনা হায়খি, মদুদি গভর্নমেন্টনা মহৈরোয়শিং অসিবু ফিকা হেন্না ৱাংনা লৌনবা পোলেন্দ, হঙ্গেরি অমসুং য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংদা এদমিট তৌহন্নবা থৌরাং তৌরি। ঐখোয় লোইনমক মিদ্দল ক্লাসকী ইমুংশিংদগী ওইবনা ঐখোয়না হায়রিবা লৈবাক অসিদা লৌনরিবা ফিশিং পীবা ঙম্লোই।

মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না মফম অসিদা পুন্দুনা অঙাংশিং অসিবু ইন্দিয়ান মেদিকেল কলেজশিংদা মহৈ তম্বা য়াহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হায়জবনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## নুপী উকিল অমা বিল্ডিংদগী চোংথরগা শিজখ্রে

হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা হায়দ্রবাদতা নহা ওইরিবী নুপী উকিল অমা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমদগী চোংথদুনা সুইসাইদ তৌখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা সিবানি কৌবী উকিল নুপী অদু সাইবেরাবাদ পুলিস কম্মিস্নরেটকী চান্দনগর পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা দিফেন্স এমপ্লোয়িজশিংগী কোলোনিদা লৈবা লক্ষ্মী ভিহার ফেজ ৱানগী বিল্ডিং অমগী মরিশুবা ফ্লোরদগী মখাদা চোংথরগা শিজখিবনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না য়ুমগী ওইবা প্রোব্লেমশিং অদুনা মরম ওইদুনা নুপী অদু সুইসাইদ তৌখিবনি। প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসনদা সিবানি অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা আর্জুন ইস্যু খরগী মতাংদা থাংজ নুমিত্তা খৎন চৈনখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

লৈখিদ্রবা উকিল নুপী অদুগী মপুরোইবা আর্জুন পুলিসতা সরেন্দর তৌখিবগা লোয়ননা মহাকপু পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথখি। সিবানি অমসুং আর্জুন চহী মরিরোমগী মমাঙদা লুহোংখি অমসুং মখোয় চহী অনীগী মচানুপা অমা লৈরে। সার্কল ইন্সপেক্তর কাষ্ট্রো রেদ্দিগী মতুং ইন্না সিবানিনা মহাক্কী মনাওনুপীগী য়ুমদা মহাক্কী মমা অমদি ইমুংগী অতৈ মীওইশিংগা লৈমিন্নরিঙৈদা মহাক বিল্ডিং অদুগী মরিশুবা ফ্লোরদগী চোংথখিবনি।

# জিএআইএল প্রোজেক্ট য়ানিংদবা উত্তুনা সুইসাইদ তৌখিবা লৌমীগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন পীরগনি



চেন্নাই, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): তামিল নাদুগী ধর্ম্মপুরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা করিয়াপানালিদা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরিবা জি এ আই এলগী পাইপ লাইন প্রোজেক্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবা লৌমী অমনা মথন্তা শিজখিবদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এমকে ষ্টেলিননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেলিননা লৈখিদ্রবা লৌমী অদুগী ইমুংদা চীফ মিনিষ্টরগী পব্লিক রিলিফ ফন্দদগী লুপা লাক্ষ মঙাগী কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

জিএআইএলগী প্রোজেক্ট অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা গনেসন কৌবা লৌমী অদু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মহাক্কী ফার্মলেন্দদা হৌবা উ অমদগী থৌরি য়াল্লগা সুইসাইদ তৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর ষ্টেলিননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি দিএমকে গভর্নমেন্টনা লৌমীশিংগীদমক্তা য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলম্বা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং পার্টিগী পেট্রিয়া লৈখিদ্রবা এম করুননিধিগী ৱাখল্লোন মতুং ইন্না থবক তৌদুনা লাক্লি।

কারিয়াপনালিদা পায়খৎনবা প্রপোজ তৌরিবা জিএআইএলগী পাইপ লাইন প্রোজেক্ট অদুগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট চথদুনা লাকপনি। লৌমী কয়ানা লৈখিদ্রবা লৌমী অদুগী হকচাংগা লোয়ননা ধর্মপুরি-হোগেনেকল হায়ৱে পুং ৬ রোম থিংখি।

লৌমীশিংনা মখোয়গী কমপ্লেন্টদা হায়খি, মদুদি জিএআইএলগী ওফিসিএলশিংনা পুলিস অমসুং রিভেন্যু ওফিসিএলশিংগা পুল্লগা মখোয়গী ফার্মলেন্দশিংদা সর্ভে চথখি অমসুং ওফিসিএলশিং অদুনা ফার্মলেন্দশিং অদুগী ফোটোশিং লৌখি। গনেসনগী লোইনবী সি চিন্নাভেলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা মখোয়গী ফার্মলেন্দশিং অমসুং তাইনবা ফার্মলেন্দশিংদা সর্ভে চথরকখিবা অদুনা মহাক্কী মপুরোইববু মথ্বায় নুংঙাইহনখিদে।

মসিনা মরম ওইরগা মহাক্লা সুইসাইদ তৌখিবনি। মহাক্লা অসুম্না লৈখিদ্রবা মতুং অসিদা ইমুং অদু অৱাবা মায়োক্লহৌরে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

চৈরকসিদা গনেসনগী ইমুংদা পীগদৌরিবা কম্পেন্সেসনগী শেনফম চীফ মিনিষ্টরনা লুপা লাক্ষ ১৫ দা হেনগৎহনগদবনি হায়না সিপিআই-এমগী হান্নগী এমএলএ সি দিলিবাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী এমএলএ অসিনা হায়খি, মদুদি গভর্নমেন্টনা লাউথোকখিবা লুপা লাক্ষ ৫ গী কম্পেন্সেসন অসি য়ামনদে। লৈখিদ্রবা লৌমী অসিনা শুরগা মহাক্কী ইমুং পুরম্বনি।

অসিগুম্বা ফিভম অসি য়েংলগা গভর্নমেন্টনা তঙাই ফদনা লৈখিদ্রবা লৌমী অসিগী ইমুংদা পীগদৌরিবা কম্পেন্সেনগী শেনফম লুপা লাক্ষ ১৫ য়ৌহনগদবনি হায়খি।

# জহাঙ্গিরপুরিগী ভাইওলেন্স রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেশতা থোকখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈনব্রা হায়বা খঙদোক্নবা থিজিল্লি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): দিল্লিগী জহাঙ্গিরপুরিদা থোকখিবা ভাইওলেন্সকা হন্দক্তা রাম নবামি প্রোসেসন মনুংদা মথং শিংনা রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেশকী কারৌলি অমদি খারগোন্দদা থোকখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈনব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংনা থিজিনবা হৌরে হায়রি।

সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি সেট অপকী ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না থিজিন হুমজিল্লিবা এজেন্সিশিং অসিনা জহাঙ্গিরপুরিগী থৌদোক অদুবু কুপ্না য়েংশিন্দুনা মদু লোকেলগী ওইবা থৌদোক্লা নত্ত্রগা লৌতুনবা অমগী মখাদা থৌরাং তৌদুনা থোকহনখিব্রা হায়বদু লেপথোক্নবা হোৎনরি।

হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু মঙং কয়াদা ইমান মান্নবনা লৈবাক অসিগী মরা তপ্পা ফিভম অমসুং চান্ন চিন্ননা লৈমিন্নবগী ফিভমদা অকায়বা পীনবা লৌতুনবা অমা লৈরম্বা য়াবগী চিংনবা পোকহনখি।

এজেন্সিশিং অসিনা হায়রি, মদুদি হন্দক্তা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চৎখিবা প্রোসেসনশিংদা চথখিবা এটেক্ট তৌখিবদু মরু ওইনা মতম শাংনা কম্যুনিটি অনী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা মফমশিংনি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কাঙলূপ মশেলগী ওইবা উংখৎনবা ফিভমশিং উবা ফঙখি। রাজস্থানগী করাওলি, মধ্য প্রদেশকী খার্গোন্দ, গুজরাট, ঝরখন্দ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মফম খরদা রাম নভামি মনুংদা কম্যুনেল ইরাংশিং থোকখি। এপ্রিল ২ দা রাজস্থানগী করাওলিদা হিন্দুগী অনৌব্ চহীগী অহানবা নুমিৎ নভ সম্বটসারগা মরী লৈননা হিন্দু ওর্গনাইজেসন খরনা প্রোসেসন পাঙথোকখিবদা ইরাং থোক্লকখি।

প্রোসেসন অদু মুস্লিমশিংনা নম্না তাবা মফম অমা ফাওরগা লাকপদা নুঙনা থাজিল্লকপদগী ইরাং অদু থোরকখিবনি। মোটোর সাইকল রেল্লি অমা মাইনোরিটিশিংনা দোমিনেট তৌবা এরিয়া অমা ফাওরগা লাকপদা নুঙনা থাজিল্লকপদগী মীওই ৪২ হেন্না অশোক অপন নঙখি। কম্যুনিটি অনীগী মরক্তা থোক্লকখিবা ইরাং অদুদা দুকান অমদি গাড়ী কয়া মৈ থাখি।

মান্নবা থৌদোকশিং চহী অসিগী রাম নভামিগী থৌরমগা মরী লৈননা মধ্য প্রদেশকী খার্গোন্দসু থোকখি। প্রোসেসন অদু সিটি অসিগী জমা মসজিদকী টলাব চোক এরিয়াদা নকশিল্লকখিবা মতমদা কম্যুনিটি অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকখি। লোকেল মোস্কতা লাইশোল পাঙথোক্লম্বা মীওইশিং থোক্লক্লগা প্রোসেসন চৎলিবশিংদা অয়েৎ অপন পীরকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা নুঙনা থানরকখিবনি।

জহাঙ্গিরপুরি থৌদোক অসিসু লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা অতৈ মফমশিংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুগা মান্নখি।

মফম অসিদা কম্যুনিটি অনীগী মীওইশিংনা মখুৎতা মী শিহনবা য়াবা থাঙ-তেন অমদি য়োৎচৈনচিংবা পায়দুনা খৎন চৈনবা থোক্লকখি।

মখোয়না অমনা অমগী মায়োক্তা নুঙনা থানখি। সোভা যাত্রা অদু দিল্লি পুলিসকী অয়াবা য়াওরগা পাঙথোকখিবা ওইরবসু দিপ্লোই তৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মশিং য়ামন্দবদগী অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপদা মতম চানা কন্ত্রোল তৌবা ঙমখিদে। ভাইওলেন্স অদুগী মতুং ঙাইহাক লৈরগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সহানা দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নার রাকেস অস্থানাগা ৱারী শান্নখি অমসুং ইরাংগী ফিভম অদু লাকশিন্নবা জহাঙ্গিরপুরিদা অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিন্নবা দিরেক্সন পীখি।


## ꯌꯥꯝꯅ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ / য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর

ঐগী চহী মরিফু (৮০) শুরবা বাবাগী ঈশিং কোমদা 16mm x 6mm চাওবা নুঙ অমগা য়েৎ থংবা কিডনীদা 4mm চাওবা পূন্না নুঙ অনী লৈরম্বা অদু সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, আই.টি.আই. মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানিপা লাইশ্রম সুধাকর, হর্বেল ফিজিসিয়ান স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোননা লায়েংবীবদগী ঐগী বাবাগী নুঙশিং অদু লোইনা তাহনবীখ্রে মসিদা ঐনা মচা অমা ওইনা অহল মতম ওইশিল্লকুবা ঐগী বাবাবু থাঙথাদনা ফহনবীবগীদমক ওজা অসিবু হায়নিংঙাই লৈতনা য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Wahengbam Basanta
Keirao Bitra Awang Leikai

HL-P/2267/16,17,18

## ꯀꯥꯡꯂꯩꯄꯥꯛ / URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

*Airport Job Vacancy at Bangalore, Hyderabad & Kolkata*

*(Training with 100% Placement) First Come First Chance*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |
| | *Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)* | | | |
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Food & Beverage Supervisor | Rs. 10000 | 10 | XII / G |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 6 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 9 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 11 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| | *Vacancy at North East India (Male/Female)* | | | |
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Last Date of Submission : 28/04/2022
For More Information Please Contact
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
# 7641836503 / 8794793684
Date of Interview : 29/04/2022

**Salai Unemployment Service Centre**
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking
HL-P/2179/7,8,11,13,17,18,20,23,25

## ꯆꯍꯤꯒꯤ ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / CHAHIGI DASHA YENGJARI



Apaiba dasha, Yeknaba, Lainatinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-B/7595/11/4-11/5 (alt)

**ꯈꯣꯡꯍꯥꯃꯗꯅ / খোঙ হামদনা চুম্না লৈবদসু অমাংথোঙদা চিকপা, খোঙ হাম্বগী শংবদসু অমাংথোঙদা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদা তৎপা অদুদা থেংলগা খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা কুইনা ফম্বা তারগদি অমাংথোঙদা নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হামদনা চুম্না লৈবদসু অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বগী শংবদসু অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, চিকপা-নাবা অদু ফনবা ঈশিং অশাবা ফম্লবসু ঙাইহাক ফরম্লগা অমুক চিকপা-নাবা অদু হৌরকপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা অদুনা মরম ওইদুনা তুম্বা য়াদবা অমদি চাবা-থকপসু য়াদবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদা তৎপা অদুদা থেংলগা খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা অমাংথোঙ মনুংদা তৎপা অদু ওইশিল্লু শুকয়া য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, হকচাং অসি পোত্থারগতা লৈনিংবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক চপ তিংবা, পূক চাওথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজম অনীমক চিকপা-নাবা, বেক বোনদা চিকপা-নাবা, কময়া অনীমক নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **N. Jeekichan Meitei**
Langol

HL-B/7590/18

